### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৩৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৭৫°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৩
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৫

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.726268 |
| US Dollar | 79.976096 |
| British Pound | 93.439048 |
| Australian Dollar | 54.840123 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.560965 |
| Japanese Yen | 0.577290 |
| Malaysian Ringgit | 17.812176 |
| Singapore Dollar | 57.205352 |
| South Korean Won | 0.059202 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.326959 |
| Thai Baht | 2.194737 |

## GAS NEWS

**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 15-08-22.**
Valid.11-08-22.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no.
6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782,
6009194940

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.**
**BOOKING UPTO DATE.**
**STOCK. 306**
VALID FROM MAY 2022.FOR HOME DELIVERY.M.NOS. 9366597565 / 9089766365 & M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.30 AM.TO.11.30 AM.

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto - 07-08-22**
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING: UPTO DATE, 20 days gap from last delivery**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
FOR ALL SINGJAMEI AREA 7628077876
7085198900 (ENQUIRY)
7628077876 (COMPLAINT)

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO- 27-08-2022,**
VALID FROM 15-08-2022,
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking - 14/08/2022**
Valid from - 31/07/202

# নুপী লীলাগী অনীশুবা নুমিৎতা 'লোন্নবী মচা' অমসুং 'চৈথাবীরমদ্রবা লমাই' উৎখ্রে





**নোমিতা খোংবান্তাবম**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল, ২০২১-২২গী ঙসি অথোই অহেন তান্নবগী নীনি চল্লকপা নুপী শুমাং লীলাগী কাঙলূপ্তা 'লোন্নবী মচা' অমসুং 'চৈথাবীরমদ্রবা লমাই' উৎখ্রে।

অহানবা উৎখিবা লীলা অসি ৱিমেন্স আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগীনি। লীলা অসি সোরোকখাইবম ভুবোননা ইরগা হাওরোংবম দেবেন্দ্র (চজিং দেবেন) না লমজিং লমতাকপনি।

নুপী শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা অহানবা উৎপা সোসল প্লে ওইরিবা লীলা অসিগী নুংগী ওইবা ৱারীদা ইঞ্জিনিয়র অমনা নুপী অনীগা যূম্বানমিন্নরকপদগী নুপী অহল হুন্দোক্লল্লগা অতোনবীগী যূমদা লৈখিবনি। নুপী অহল অমদি মচানুপাবু হন্না য়েংদবগী চৈনা কয়ানা নুপী অহল অমসুং মচানুপাদা পীখিবা চৈথেংশিংদা যূম্ফম ওইবা লীলানি। অদুবু নুপী অতোনবীগী মচানুপা ডাক্টর ওইরকপদগী মমা অহল অমসুং ময়াম্বা থিরক্তুনা নুংশিনবগী ঈচেল অমুক হন্না চেল্লত্তুনা অমত্তা ওইবা অপুনবা ইমুং অমা ওইহল্লকপগী পাউজেলগা লোয়নবা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা সসিকান্তদা থোঙাম ওনিয়া, শান্তিকুমারদা নাওচা থৌনাওজম, সুরজকুমারদা তাঙ লাইশ্রম, দেবেনদা বেবিসনা অমসুং কন্সটেবল অমগী শক্তমদা থোঙাম সিলভিয়া, তোমালদা ময়াংলম্বম ইবেয়াইমা, সুরজ কুমারনা অঙাং ওইরিঙৈগী শক্তমদা বেবি খেলবিস মৈত্রমনি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা খোমদ্রাম সিলা, কমলাদা নন্দরানি পুখ্রম্বম, রানিদা নোংমৈকাপম মোনালিসা, সনাহনবীদা থাংজম শালিনি অমসুং থবাগী শক্তমদা খাইদেম ইন্দিরানি।

অনীশুবা উৎখিবা লীলা অসি ৱেষ্টর্ন কলচরেল এসোসিএসনগী লীলারোয়শিংনা পুথোকপনি। লীলা অসি নবদিপ নিংথৌজানা ইরগা ইবোয়াইমা খুমন অমসুং রোমোলা য়েন্দ্রেম্বমনা লমজিং লমতাকপনি।

লীলা অসি নিংথৌ খুভমগীদমক্তা লৌতুনদুনা নিংথেম্বু কাংজেবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নবদা হাৎতোকখ্রবা মতুংদা লাবন্যচন্দ্রগী মপারি হেরাচন্দ্রবু অপোকপীনা চীংদা পুদুনা নাথেরগা মচা চাওবা ঙাইরকখিবা ৱারীদা যূম্ফম ওইবনি।

হেরাচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনীংলকপা অমদি নিংথৌ খুভম মুনবা পাল্লগসু নিংথৌ মচা মশেল হাৎতোক্লদুনা লমন খুম্বা পামজখিদে। অৱানা কংলৈপাকপু খুদুম চন্দুনা চহী ৭ খুন্তাকখিবনা মরম ওইরগা অৱাগী মখূৎতগী কংলৈপাক্কী মনিংতম্বা হঞ্জিনহনবগী ৱাখল্লোন লৈখি। মসিনা মরম ওইরগা চীংমীশিংগা লোয়নননা খূৎপু শেমদুনা অৱাগী মথক্তা লান্দাখি।

অৱাগী মখূৎতগী লান ঙমদুনা গম্ভির সিংনা নিংথৌ ওইদুনা নরসিংহনা যুবরাজ ওইরগা অৱা লানগী অথৌবশিংবু মনা পীদুনা ফমথোল পীবদা হেরাচন্দ্রসু য়াওদুনা নিংথৌনা শগোল মপাউ থারকখি। কংলৈপাক নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরগসু নিংথৌ খুভম মুন্নবা অমদি নিংথৌকোলদা লৈবা পন্দিটশিংনা নুংশিদবা নিংথৌ মচা চঙহন্নীংদবগী শরৌ লাংনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদু লীলা অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। মসিনা মরম ওইরগা কুম্বাবদা হেরাচন্দ্রবু য়াওদনবা হোৎনবা অমদি ফজবা মীংথোল পীনীংদবা দাকু নিংথৌ হায়বা ৱাফম থোরক্তুনা হেরাচন্দ্রবু নরসিংহনা য়াইবী লৌখিবা নিংথৌকোলগী থাজনদবা অমসুং ফৎনদবগী মশকপু নীংশিংহনবা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা গম্ভির সিংহদা টি ঐচ উষারানি, নরসিংহদা সোইবম সন্তাইঙম্বী, হেরাচন্দ্রদা কে সঙ্গিতা, খোংজাই খুল্লাকপদা শগোলশেম বিমোলা, অৱা সেনাপতিদা এ বিজয়া, পেবিয়া পন্দিটতা এ রনিতা, মৈতৈ ফম্নাইবা নোংথোম্বদা কে প্রমো অমসুং অৱা লান্মী অমগী শক্তমদা এল থম্বাল, মৈতৈ পাউমীদা জয়শ্রী চোংথাম অমসুং অখাম চীংমীদা কে এস ঐচ সুসমানা শক্তম লাংখি।

নুপাগী শক্তমদা মৈতৈ লৈমা থাংজবীদা সী ঐচ লিলাবতি, চীংমী নিংঙোল ঙাইনেমদা এন প্রিয়োনিকা চনু, মৈতৈ ইমা লাইরেম্বীদা দল্লিয়ু কিরনমলা অমসুং মৈতৈ নুপী অমগী শক্তমদা রোমোলা য়েন্দ্রেম্বমনি।

নুপী শুমাং লীলাগী হয়েং হুমনি চনবা নুমিৎতা অলটর্নেটিভ থিএটর গ্রুপকী 'অশেংবা যূম' অমসুং মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'লোই কুম্বা' উৎকনি।

## মণিপুর এক্স এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) : তরেৎশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইরমখিবা টি ঐচ বিরনা থা অসিগী ২৭কী অয়ূক অঙনবা পুং ৫ রোম তারকপদা উৎলৌদা লৈবা মশাগী যূমদা লৈখিদবদা মণিপুর এক্স এম এল এ ৱেলফেয়র এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট বি দি বেহরিংনা থোকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবা থৌনাওজম বির পোলিটিক্সতা খোঙদারক্ত্রিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা চহী ১৫ রোম এদ্যুকেসন দিরেক্টর ওইরমখি। মহাক মণিপুরদা মতিং লৈবা এদ্যুকেসন পুরক্লবা হোৎনবদা লমজিং মৈরা ওইখিবশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং শান্ন-খোৎনবা অমসুং আর্ট এন্দ কলচরনচিংবদসু থৱায় য়াওখিবা লুচিংবনি হায়রি। মহাক্কী ঈং-তপ্পা অমসুং পুকচেল চাওবগা লোয়নননা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা পায়খৎলম্বা থবকশিং মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরগনি । মহাক লৈখিদবা অসি মহাকপু নুংশিজবা মীওইশিংগীদা নত্তনা মণিপুর পূম্বগী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি হায়রি। মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহোবা অসিগীদমক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা মহাক্কী ইমুংদা মীনুংশিগীদমক লুপা লিশীং ৫০গী তেংবাঙ পীরি হায়বগা লোয়নননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

### সঙাইকোট এরিয়াদা পোপি পান্বী থারম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* ভিলেজ চীফ অসিবু এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৬৭কী মখাদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা মথং থাগী ১গী অয়ূক পুং ১১দা মশা লাক্লবা খঙহনখিবনি হায়রি। করিগুম্বা পুলিসকী মায়কৈদগী ভিলেজ চীফ অসিদা পীরিবা সমন নোটিস অসিগী মতুংইন্না মহাক লাক্ত্রবদি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মতুংইন্না মহাক্কী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

### লাই হরাওববু ফাগি তাহনবশিংগী ...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাহনবীগনু। হৌজিক্তি চাওখৎলবা মতমনি। অঙাংশিংনা ফাওবা য়াম্না খঙলবা মতমনি হায়খি। লোয়নননা ইচাগুম্লবা অঙাং মাইবীশিংদসু ইমা কৌরিবসি অমাইবীশিংবু ইকায়খুম্নরিবনি। লাই হরাওবদা লাই তাইরিবা, হকথেংননা থৌদাং লৌরিবা পেনা শকপা অমসুং অমাইবা অমাইবী অহুমসিনা লুচিংবদা মতুং ইনগদবা মীয়াম্নসু পান্নরক্ত্রগদি য়ারোই। থৌগল্লোন য়াওদ্রবা অমসুং থকসি খাসি লৈত্রবা মীদুদি কুইররোইদবনি। মরম অসিনা ঐখোয় পূম্নমক্না থকসি খাসি ঙাক্না চৎসি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা সী এ এফ অমসুং পি দিগী মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো (য়াইমা) না ঐখোয় হৌজিক উমং লাই কয়া লৈরিবগে হায়বসি থিদোক্লসি অদুগা ঙসিদগী হৌদোক্লিবা ত্রেনিং অসিদা নুপী মানবা নুপাশিং ইন্থোক্তুনা থম্বগী মহুত্তা মখোয়বুসু য়াওহনসি। লাই হরাওবগী থৌগল তৌবদা ইয়াদা য়াবা মওংদা তৌশিনগুমসি অদুগা লাই হরাওবা কম্মিটিনা শেঞ্জা থুমজানচিংবসু তৌরোইদবনি হায়খি। ঙসিগী উনৌ কোন্দে হুনবগী নুমিৎ ১০নি চথুগদবা থৌরম অসিদা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মাইচৌ পুরেল এন জি কাংজিয়া মঙাং, সনা কোনুংগী মাইবা হনবা এস কোন্দুম্বা অমসুং কষ্টম সেক্রেটরি (সনা কোনুং) টি ঐচ ইবুংঙোহলসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন এক্ট, ২০২২ চৎনবা হৌরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : গভর্ণরনা থা অসিগী ৯দা অয়াবা পীখিবগী মতুংইন্না সেক্রেটরিএট: লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ১৬তা মণিপুর গেজেট এক্সত্রা ওর্দিনরিদা নোটিফিকেসন থোকখিবগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা মণিপুর ষ্টাফ সিলেক্সন কম্মিসন এক্ট, ২০২২ (মণিপুর এক্ট নম্বর ১০ ওফ ২০২২) চৎনবা হৌরে। এক্ট অসিনা মণিপুর পূম্বা কোনশিনবগা লোয়নননা কম্মিসন অসি চেয়রপর্সন অমগী মখাদা মসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা হৌগনি হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টরনা ওগষ্ট ২৯বু ষ্টেট হোলিদে ওইরগনি হায়বগী থাজবা...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবা পামুদনা লমদম অসিবু কলহৌদবা য়াদে হায়না নোক্না নোক্না থৌরি কোঙ্গোই হুত্তুনা থৱায় কৎখিবনি হায়খি।

মতম অদু বৃটিশনা মখোয়গী মায়োক্তা লেপখিবগীদমক অতোপ্পা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মহাকপু থৌরি কোঙ্গোই হুত্তুনা হাৎখিবনি অদুগা জেলিয়াংরোং ফুরুপনা লৈবাক অসি শেম্বদসু চাউনা শরুক য়াখিবনি হায়বদা চাওথোকচনীংঙাইনি। হৌরক্লিবা তুংগী নহারোলশিং অমদি মীরোলশিংনা লৈবাক অসিবু শেমগৎপদা থৌনা ফনা মায়ওং য়ানবা হোৎনরসি হায়খি।

ঙসিগী নুমিৎ অসিবু ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা লৈরিবা জেলিয়াংরোংগী মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা হাইপৌ জাদোনাংনা লমদম অসিগীদমক কখোক্লম্বা অমদি মহাক্কী মথৌনাবু নীংশিংবা ওইনা মহাক্কী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লরি। মণিপুরদসু জেলিয়াংরোং ফুরুপনা খুন্দারিবা মফম খুদিংমক্তা নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোক্লি হায়খি।

লোয়নননা ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংবা চহী ৭৫ শুরকখিবগা ইরোয়নননা পাঙথোক্লকখিবা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী মখাদা থৌনা ফবা হাইপৌ জাদোনাংবু জেলিয়াংরোং ফুরুপকী তুংগী মীরোলশিংনা মহাক্কী মথৌনা অমসুং ৱাখল্লোন কয়াবু মতম পূম্নমক্তা চেন্দুনা লৈনবগীদমক ঙসি মহাক্কী নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী মরু ওইবদি হাইপৌ জাদোনাংগী নৌনা শাবা মীতম অমা মায়খুম হাংদোকপগা লোয়নননা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা থৌরম অসিদা শরুক য়ারখিবশিংনা মিনট ১ তূমিন্না লেপখি। থৌরমগী মনুং চন্না থনাগোং যুঠশিংনা হাইপৌ জাদোনাংগী পেরিয়দ উৎখি। লোয়নননা খৌপুম তাওদাইজাং দান্স ত্রুপনা নাৎকী ওইবা জগোয় উৎখিবগা লোয়নননা হোই লাউখি। পূম্নমকসিগী মথক্তা জেলিয়াংরোং ফুরুপকী ওইবা পূঙ থিন্দুনা থৌরম অসিবু হেন্না মপূং ফাহনখি।

ঙসি মায়খুম হাংদোকখিবা ফ্রীদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনাংগী মীতম অদু ফুট ১৭ লোম ৱাংই। মসিগী মনুংদা মহাক্কী হকচাংগী শরুক্না ফুট ১০ রোম ৱাংই।

থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবগী চেয়রপর্সন থুইগাই মাথিয়ু রোংমৈ, কবুই মাদর এসোসিএসন (কামা) গী জেনরেল সেক্রেটরি রঞ্জিতা গোলমৈ অমসুং কামাগী ভাইস প্রসিদেন্ট অতোংপী কামৈসু মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, লমদম অসিদা হৌরকফম খঙদবা খরনা নারোলদা লান্দারক্তুনা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরল্লীবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা শিংচেপ থানবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী ঐখোয় খুদিংমক্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তায় হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিসননা ফোঙদোকখ্রে।

জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) গী মিৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেভেল হাইপৌ জাদোনাং দেথ এনিভর্সরি কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি কৈশামপাৎতা লৈবা জাদোনাং পার্কতা পাঙথোকখিবা ৯১ শুবা হাইপৌ জাদোনাং দেথ এনিভর্সরিগী থৌরমদা অথোইবা মিথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ জয়কিসননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা অসি মহাক্কী মপোক নুমিৎ নৎত্রগা লৈখিদ্রবগী নুমিৎতা ঐখোয়না ইকায় খুম্নবা উৎপনা মপুং ফাদে। মসিনা মরম ওইরগা চহীগী ওইনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা চহী খুদিংগী ওইনা ফীরেপ অমমম লৌদুনা লৌরিবা ফীরেপশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি। মতম অদুদা লৈখিদ্রবা অথৌবা জাদোনাংগী থৱায়না শোয়দনা পেনবীবা হায়বদু ওইগনি।

অমরোমদা জেলিয়াংরোংগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং য়াওনা লমদম অসিগী নহা খুদিংমক্তা ময়ায় কাবা চিঙাক্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। চীংদা ময়ায় কাবা চিঙাক থিংগদবনি হায়না লাওবা অমদি রেল্লি খক চৎপনা মায় পাকপা ঙল্লোই। মদুনা মরম ওইরগা খুদিংমক্না ফিল্ডদা থোক্লক্তুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হাইপৌ জাদোনাংগী দেথ এনিভর্সরি নুমিৎ অসি ষ্টেট হোলিদে লাওথোক্লবা ওবজর্বেসন কম্মিটিনা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লকখিবা অদুগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্নদুনা খন্নরে। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা কেবিনেট ফমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নরগনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়নননা ঙসিগী থৌরম অসিদা হাইপৌ জাদোনাং লৈখিদবা ওগষ্ট ২৯ ষ্টেট হোলিদে ওইনা লাওথোক্লম্বদা অয়াবা পীরক্কে হায়নসু পাউদমখি।

থৌরমদুদা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখিবা সগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ আর কে ইমোনা ফোঙদোকখিবদা হাইপৌ জাদোনাংগী মথৌনা মরিংজেন অমদি মহাক্কী মিৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা অদুবু কিবদগী মশাগী চহী ২৬ শুরকপা মতমদা বৃটিশ লান্মীনা মহাকপু ফাদুনা পুরক্লগা ঙসি হাইপৌ জাদোনাং পার্ক হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা তুমিন্না ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি। করিগুম্বা জাদোনাংনা মতম শাংনা পুন্সিরম্বা তারবদি অওনবা মণিপুর অমগী শক্তম উরম্বসু য়াই হায়খি।

মহাক্না হায়, ঐখোয়গী হৌখ্রবা থৌনা ফবশিং অসিগী মতাংদা অমদি মখোয়না মরৈবাক্কীদমক্তা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং অদু ইনখৎলক্লিবা তুংগী যুম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংদা তম্বীবা মথৌ তায়। অদুবু মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা তম্লীবা হিষ্ট্রিগী লাইরিক্তা লমদম অসিগী অথৌবা অথৌবীশিংগী মতাংদা য়াওদ্রি। মসিগী মহুত্তা লৈবাক অসিগী ওইবা মমিং ওইনা পল্লবদা মরাথাগী, ঔরনগজেপ, মুগল, সহাজহাননচিংবা কয়াগী মতাংদদি হিষ্ট্রিদা তাকপী তম্বীরি। মসিগী মহুত্তা লমদম অসিগী থৌনাফবা/ফবীশিংগী মতাংদা তাকপী তম্বীরবদি হেন্না ফবা হায়বদু ওইগনি। অমরোমদা ঙসি জাদোনাং পার্কতা মীয়াম্না পুনবা য়াবা মফম অমা লৈত্রি। করি পুকচেল চাওবশিংনা লম পীগে হায়রবদি হাইপৌ জাদোনাংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা শীজিন্ননবা পার্ক অমা শাবদা মাঙজিল থানা শরুক য়াগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদুদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) গী প্রসিদেন্ট অজাং রোংমৈনা থৌরম মপু অদুগা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাং, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এন রূপচন্দ্র অমসুং নিপকোগী প্রসিদেন্ট প্রেম ওইনামনা অখন্নবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা সোসিএল সাইন্টিষ্ট দা. ধনবির লাইশ্রমনা লৈখিদ্রবা হাইপৌ জাদোনাংগী মতাংদা মীয়ামদা শন্দাক্না ঙাঙদুনা খঙহনখি।

## এক্সিদেন্ট ২দা নুপী ১ য়াওনা ৩ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমিদাংদগীনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবদা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অহুমদা নুপী ১ য়াওনা মীওই ৩ লৈখিদ্রে।

অহানবা থৌদোক অসি অয়ূক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা চীংমৈরোংগী চৈরাও চীংদা থোকখিবনি। মফম অদুদা হোন্দা এক্টিভা থৌরকপা নহা অমা ব্রেক ফেল ওইবদগী চীংদগী ওন্থরক্তুনা শোকখি। অদুবু রিমসতা লায়কন্নরবা মতুংদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি। মহাক্কী মমিং মংসিদম কৃষ্ণকান্ত (১৮) অপোকপা এম খোমৈ কৌই, পুখাও নহারুপ্তুগীনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদা লম্ফেল পি এসকী মনুং চনবা নাওরেমথোং দি সী রোদতা ত্রক অমা হেনগৎলগা থৌরকপা বুলেট মোটোর সাইকল অমনা অতোপ্পা বুলেট অমগা থেঙ্গাইনবদা বুলেট অনীসিগী মনুংদগী অমদা তোংলকপী লৈশাবী অমা শোরোক্তা তাবদগী টাটানা অমুক থোম্বদা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবনি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না লৈখিদ্রবী লৈশাবী অদুগী মমিং সৌবাম চনচন (৩০) অপোকপা এস রাজেন্দ্রো কৌই, সেগারোদ কোঙেং হজারি লৈকায়দগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়নননা লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসকী মনুং চনবা খোংহাম্পাৎ লাইকোন্দা মারুটি ভেন অমগা ত্রক অমগা থেঙ্গাইনবদা মারুটি ভেনদা তোংলকপা হৌজিক্না সেকমাই থাঙ্গ লৈকায়দা লৈবা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৪দগী তোকপম উমাকান্ত (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা কিরন কৌবা মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়রি।

## আইস দ্রগ কিলোগ্রাম ৫, ম্যান্মারগী শেল ৫,৫০,০০০ অমসুং ইন্দিয়াগী শেল লুপা ৭৮,০৭০ ফাগৎলে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস) : ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তারকপদা ফংবা পাউ অমদগী অনীশুবা এম আরগী কম্যান্দেন্টনা লুচিংবা টিম অমনা য়াদাগা লোয়নননা য়াইস্কুল জন্মস্থানগী সঞ্জু বেকরিদা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা আইস দ্রগ হায়রগসু খঙনবা খৃষ্টেল মেথামফেটামাইন্স পেকেট ২গা কোন্ননা মীওই ১ ফাখিবগা লোয়নননা ককচীং কম্যান্দো, ৫শুবা এ আর অমসুং মোরে পুলিসকা লোয়নননা সেকেন্দ এম আরগী টিমনা মোরেদগী ম্যান্মারগী শেল ৫,৫০,০০০ অমসুং ইন্দিয়াগী শেল ৭৮,০৭০ য়াওনা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২.৩৩১ ফাগৎলে হায়রি।

## জোইন তৌদুনা থবক তৌহল্লম্বদগী ককথৎখিবা...

*লামায় ১গী মখা...* ফাইল তৌরকখিবা রিট আপীলশিং অদু চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা রিট আপীল মঙামক্কী ওইবা কম্মন ওর্দর অমা থা অসিগী ২৬তা পীখিবনি।

কোর্টনা রিট আপীলশিং অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা আপ্পিল্লেন্টশিংগী মায়কৈদা এদিসনেল গভর্ণমেন্ট এদভোকেট টি ঐচ সুকুমারনা লেপখি। অদুগা রিট আপীল পূম্নমক্কী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রোনা লেপখি। লোয়নননা থা অসিগী ২৬তা কোর্টনা পীখিবা কম্মন ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মীওই ৮৩ অদু তোঙান তোঙানবা পোষ্টতা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী দি পি সী অদুগী অরোইবা নুমিৎ জন্যুৱারী ৪, ২০১৭তা ইলেক্সনগী মতম লাউথোরক্তুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরবসু চথুরকখিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অদুবু কেন্সেল তৌগদবনি হায়বা য়াওদে। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অদু চৎনবা হৌরকপদগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং মখা তানা লেপকদবনি হায়খিবনি হায়রদুনা নুমিৎ নীনি চথুখিবা রিক্রুটমেন্টগী দি পি সী অদু জন্যুৱারী ৪, ২০১৭কী নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপদা মপূং ফানা লোইশিনখ্রবনি হায়না মমাঙথক্তা হায় কোর্টকী বেঞ্চ অমনা ওর্দর পীখ্রবনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরকপদগীদি পাইপ লাইনদা লৈবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং চথুগনু হায়বনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা মীওই ৮৩দা পীরম্বা এপোইন্টমেন্টশিং জন্যুৱারী ৫, ২০১৭তা থোকপা ওর্দর অমনা ককথৎখিবা অদুসু হান্ননা কোর্ট অসিনা পীখিবা ওর্দরদা ক্বাশ তৌখ্রবনিনা এপোইন্টমেন্ট পীরুরবা মীওই ৮৩ অসি হৌজিক অমুক হন্না অনৌবা এপোইন্টমেন্টশিং পীদুনা মখোয় মখোয়বু খনখিবা পোষ্টশিং অদুদা থবক তৌহনগদবনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থেঙ্খাং অনীরক্তা পীখিবা কম্মন জজমেন্ট অমা য়াওনা এপ্রিল ২৫, ২০২২গী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা এপোইন্টমেন্ট পীরুরবা মতুংদা কেন্সেল তৌখ্রবা মীওই ৮৩গী এপোইন্টমেন্টশিং অদুগী মতুংদা দিরেক্টোরেট অসিনা মার্চ ১০, ২০২১দা সী এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ১৬৫গী ফমশিং লৌননবা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুবু চৎনহনখিদবা অদুদদি অহোংবা খরা লৈহল্লক্লগা লোয়শঙ অসিনা মীওই ৮৩গী এপোইন্টমেন্টশিং ককথৎখ্রবা মতুংদা নৌনা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্তুনা লৌগনি হায়খিবা পোষ্ট ১৬৫ অসিগী মনুংদগী হান্না এপোইন্টমেন্ট পীরুরবা মীওই ৮৩ অদুবুদি খাইদোক্লগা হিঙ্গৎহল্লবা মতুংদা লেমহৌরিবা পোষ্ট ৮২গীদি লোয়শঙ অসিনা ফ্রেশ রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকপা য়াবগী অয়াবদি পীরে হায়রি।

মরম অসিনা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১৬তা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টোরেটনা পোষ্ট ৮৯ মেনশিন্নবগীদমক থোকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারীগী ৩ অমসুং ৪দা পাঙথোকখিবা দি পি সীনা রেকমেন্দ তৌখিবগী মতুংইন্না এপোইন্টমেন্ট পীরুরবা মীওই ৮৩ অদুদি অমুক নৌনা হিঙ্গৎহনবগা লোয়নননা লোয়শঙ অসিনা মরী লৈনবা এপোইন্টমেন্টশিং পীরগদবনি হায়রি।

## জপানগী লান্মী ১৩৩ হেন্না শিখিবা সম্বে পুরুম রিজার্ভ...

*লামায় ১গী মখা...* খোপচিল্লকপদগী তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লকপা হায়বদু ওইরে। কৈবি খুলেনদা লৈবা নিংথৌখোংজম মোইরাংনিংথৌ (৯২) নিংথৌখোংজম মুক্তা অমদি নিংথৌখোংজম ওংবী অহনবীগী মচানুপানি। মহাক্কী মচিন-মনাও মরি-মঙানি অদুবু জপান লান মমাংদা অপোকপা অমদি অপোকপীসু লৈখিদে। মহাক লময়ানবা হিজম ইরাবোৎকী মীৎয়েং মখাদসু থবক কয়া তৌদুনা লাকখিবা মীশক অমনি। লোয়নননা মহাক চহী কয়াসু প্রধান অমা ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৪২দা থোকখিবা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা য়াম্না শাথিনা লান্থেংনখিবা লমদম অসিগী মীয়াম্না জপান ৱার হায়না খঙনরিবা লানফম অসিদা সম্বে উরুম রিজার্ভ ফোরেষ্টতসু মীওই ১৩৩ হেন্না শীখি। হায়রিবা মফম অসিদা এরোপ্লেনদগী বোম কয়া মশিং থীঙমদনা থাদদুনা পোকখায়হনখি। মতম অদুদা মীচম মীয়াম্না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নবগা লোয়নননা কোম তৌদুনা অহিং য়ারেক্লদুনা খাঙনখি।

জপান ৱারগী মতম অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু জাপান মচা কয়া লৈখিদে। টিদিম-বিষ্ণুপুর; সংশক-লিটান; শেনাম-পল্লেন; কংলাতোম্বী- নুংশিগম হায়বনচিংবা মফমশিংদসু জাপান মচা কয়া লৈখিদে।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংচন্না লৈবা কৈবি হৈকক মপান, কৈবি তরেৎ খুল, লম্থোইখুলনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা পাখঙবা ফিদুপ মানবা মফমশিং অসি করি-করম্বা নীংথৌ হাক্তক্তগী লৈরকখিবনো হায়বসিসু লৈঙাক্লা অখঙ-অহৈশিংগা তান্নরগা থিগৎপীদুনা পুথোক্লবা হোৎনবিয়ু। মরমদি অসিগুম্বা মফম কয়া অসি মুৎখিবা কয়া অমা য়াওখ্রে। হৌজিক লৈরিবা মফম অসিসু তপ্না-তপ্না মুৎশিল্লক্লি। লোয়নননা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৌ উবশিংনা লৌ লোক্লকপা ফৌশিং অদুবু থম্নবা কৈ শাদুনা থল্লবা মফমশিং খুলগী মীংদা কৈ তাবা মণিপুরগী লমশিং অসিসু করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তদা থমখিবনো হায়বনচিংবসু থিগৎহন্নিংই। লোয়নননা লৈঙাক্লা হৌজিক-হৌজিক য়াম্না কন্না উমং য়োকখৎনবগী পান্দমদা মফম কয়াদা উ চারা কয়া থারিবা অসিদা লমদম অসিগী মপুং ফানা মাঙশিল্লক্লবা তেরা পান্বীবুসু কন্ননবা তেরা পান্বীসু থাহন্নবা থৌরাং পায়খৎহন্নিংই। তেরা পান্বী হিংহনবা ঙম্লবদি মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা লশিং অসি পুশিল্লকপগী মহুৎতা তেরানা মহুৎ শিন্দুনা মপান্দা ফাওবা থাদোক্তুনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোনদা চাওনা কান্নবা কয়া শোয়দনা পুরক্কনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্টেম্বর ১দগী হৌদুনা কুমজা ১৯৪৫গী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা চথুখিবা অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱার অদুদা লৈবাক ৩০ হেন্না শরুক য়াখিবগা লোয়নননা লানফম অসিদা মীওই মিলিয়ন ১০০ হেন্না শরুক য়াখি। লানফম অসিদা মীওই মিলিয়ন ৭০দগীনা ৮৫ রোম লৈখিদে। অদুবু লাইবক থীবদি মদুদা শিখ্রিবা মীওইশিং অসি মীচম্না অয়াম্বনি হায়রি।

## অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী...

*লামায় ১গী মখা...* সলানথোংদগী কোন্সম মনিথোই (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে বিহারিনি।

মখোয় অনীগী মথক্তা এন আই এনা চার্জ তৌরক্লিবা সেক্সনশিং অসিগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা মখোয়বু মাঙজৌননা কনভিক্সন পীখ্রবনি। অদুগা ঙসিনা মখোয় অনীগী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়ারিং পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিংদা কনভিক্সন ফংলবা মখোয় অনীগী মায়কৈদা লিগেল এইদ কাউন্সেলনা লেপখি। অদুগা এন আই এগী মায়কৈদনা এজেন্সী অসিগী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা লিসম ইবোসনা মৈতৈ এলিয়জ জোজো এলিয়জ মাইকেল এলিয়জ কেংবা এলিয়জ রেদপুনা য়ু এ (পি) এক্ট ১৯৬৭কী সেক্সন ১৮, ২০, ৩৮গী মখাদা সেক্সন অহুম্মক্কী ওইনা চহী ৫/৫গী ফাদোক পীখি। অদুগা আই পি সী সেক্সন ১২০-বিগীসু চহী ৫গী ফাদোক পীখি।

লিসম ইবোসনা মৈতৈবু তোঙান তোঙানবা সেক্সন ৪ অসিগী মখাদা চহী ৫/৫গী ফাদোক পীরবসু হায়রিবা ফাদোক্কী মতমশিং অসি পূন্না চৎকনি হায়খিবগা লোয়নননা কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক্না পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৮নি লৈখিবা অমসুং জুদিসল কষ্টদিদা নুমিৎ ৫৭১ পূন্না নুমিৎ ৫৭৯ হায়বদি চহী অমগা থা ৭কা নোংমা লৈখিবা মতমশিং অদুদি মহাক্কী চহী ৫গী ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়রি।

অমরোমদা, কনভিক্সন পীখ্রবা কোন্সম মনিথোইগীনা য়ু এ (পি) এক্ট ১৯৬৭কী সেক্সন ১৬, ১৮, ২০, ৩৮, এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট ১৯০৮গী সেক্সন ৪, আই পি সীগী সেক্সন ৩০৭ অমসুং সেক্সন ১২০-বিগী মখাদা পূন্না তোঙান তোঙানবা সেক্সন ৭ অসিগী ওইনা সেক্সন অমমমদা চহী ৫/৫গী ফাদোক পীখি।

অদুম ওইনমক মঙোন্দা পীরিবা চহী ৫/৫গী ফাদোক্কী মতমশিং অসিসু অমুক্তদা পূন্না চৎকনি হায়বগা লোয়নননা মহাক্না কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৮নি লৈখিবা অমসুং জেলদা নুমিৎ ৫২১নি লৈখিবা পূন্না নুমিৎ ৫২৯ (চহী ১গা থা ৫ নুমিৎ ১২) গী মতমদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়রি।